# প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টরনা বি আর অম্বেদকরগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী):

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদু অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কন্সটিট্যুসন শেম্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্বা বি আর অম্বেদকরগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

দলিত ফুরুপকী মীওইশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বা অম্বেদকর লৈখিদবগী কুমওন নুমিত্তা লৈবাক অসিগী লূচিংবশিংনা পার্লিয়ামেন্ট হাউসকী লোন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লৈ কত্তুনা লৈখিদ্রবা অম্বেদকরগী মফমদা ঈকায় খুম্নখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমদি থৱর চান্দ গেহলোটকা লোয়ননা কোংগ্রেস লূচিংবা মলিক অর্জুন খর্গেসু অম্বেদকরকী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৫৬কী নুমিৎ অসিমক্তদা অম্বেদকরনা মশাগী চহী ৬৫ শুরকপদা তাইবঙপাল থাদোকখিবনি।

মুম্বাইগী চৈত্যভুমিদা লৈবা অম্বেদকরগী নীংশিং খুভমদা মীওই লীশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা কন্সটিট্যুসন শেম্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্বা লূচিংবা অসিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। দাদরগী শিবাজি পার্ক মনাক্তা লৈবা নীংশিং খুভমদা মহারাষ্ট্রগী গভর্নর সী ঐচ বিদ্যসাগর রাও অমদি চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিসনা লাক্তুনা অম্বেদকরগী নীংশিং খুভমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

নোং কন্না চুখিবদগী চৈত্যভুমিগী গ্রাউন্দ ঈশিং থুমজিনখিবা তারবসু মীওই কয়ানা অম্বেদকরগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা জয় ভিম অমদি বাবা সহেব অমর রহে হায়বনচিংবা স্লোগান কয়া লাউখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অম্বেদকরগী নীংশিং খুভমদা শাখিবা পন্দল অমা নিংখায়রকপদা মীওই অহুম অশোক-অপন নংখি। বিধান ভবন্দসু লেজিসলেচরশিংনা অম্বেদকরগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকখি।

কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনসু কন্সটিট্যুসন শেম্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্বা বি আর অম্বেদকরগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইনবা শেম-শাদুনা লৈরিবা রাহুল গান্ধীনা ট্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, মীওইবদি শিবা নাই। অদুবু মীওইবনা পায়খৎলম্বা অফবা থবকশিংদি মতম পুম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈহৌই।

# উকিলশিংগী ফী কা হেন্না লৌহন্দনবা ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা শৌগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী):

লায়র-ইনাকখুনবা খাইদনা মীপুম খূদিংমক লোগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা উকিলশিংনা ফী কা হেন্না লৌবগী থৌওং থিংনবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাং অমা সুপ্রিম কোর্টনা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

উকিল খরনা লিটিগেন্টশিংদগী শেল কা হেন্না লৌবগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোল্লক্দুনা এপেক্স কোর্টনা হায়খি মদুদি, লায়রবা মীয়ামসু চপ মান্নবা মওংদা ৱায়েলশঙগী খুদোংচাবা ফংজনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা লো অমা শেম্বা মথৌ তাই।

লায়রবা মীওই কয়া শেল পুথোকপা ঙমদবদগী ৱায়েলশঙদা করিগুম্বা হীরম অমগী কেস থেংনবা মতমদা খ্বাইদগী ফবা উকিলশিংগী মতেং লৌবা ফংদ্রি। থৌওং অসি মপুং ফানা থিংবগা লোয়ননা মীপুম খূদিংমক চপ মান্নবা মওংদা ৱায়েলশঙগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা গভর্ণমেন্টনা লো অমা শেমগদবনি হায়না জষ্টিস এ কে গোয়েল অমদি জষ্টিস য়ু য়ু ললিতকী বেঞ্চ অমনা ফোঙদোকখি।

বেঞ্চ অদুনা হায়খি, অনা-লায়েংগী লমদা পব্লিক হোস্পিটালনা লৌরিবা থৌদাংগুম শেল পুথোকপা ঙমজদবা মীওইশিংদা লিগেল সার্বিস ফংহন্নবগী মতাংদা পব্লিক সেক্টরনা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই।



ইন্দিয়াদা উকিল অমনা মহাক্কী ক্লাইন্টতগী শেল কয়া য়াম্না লৌবগে হায়বগী মতাংদা য়েংশিনবীনবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা লৈতে। হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা লো অমা চৎনবসু লৈতে। মরম অদুনা মমিং লৈরবা উকিল খরনা মখোয়গী ক্লাইন্টশিংদগী য়াম্লবা শেনফম লৌরি। লায়রবা মীওইশিংদি শেল লৈজদবনা কেস থেংনবা মতমদা মমিং লৈবা উকিল নেকপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি।

কুমজা ২০১৩দা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা য়াথং অমগী মতুং ইন্না উকিল অমনা হিয়ারিং অমা চথুবগীদমক য়াম্লবদা লুপা ৮,০০০দগী হেন্না লৌবা য়াদে হায়বা ৱাফম লৈরবসু কনামত্তনা থৌশানদবগী মওং অমা উবা ফংলি। লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা উকিল খরদি হিয়ারিং অমগীদমক লুপা লাখ ১০দগীনা লুপা লাখ ২০ ফাওবা লৌরি।

সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি, কুমজা ১৯৮৮দা লিগেল প্রোফেসনগী ইথিক্সকা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমা লো কম্মিসন্না পীখৎলকখি। অদুবু উকিলশিংগী ফী রেগ্যুলেট তৌনবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা লো অমত্তা শেম্বা ঙমদ্রি। লিগেল প্রোফেসন্দা লৈরিবা উকিলশিংনা শিনফম অসিবু শেন্দাল লম্বী ওইনা চথুরকপদগী লায়রবা মীওই কয়া ৱায়েলশঙগী থোঙ য়ৌবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি হায়না বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি।

# দিল্লি গভর্ণমেন্টনা পোল্যুসন হন্থহন্নবা থৌরাং পুথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী):

দিল্লি গভর্ণমেন্টনা পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিং নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)দা পীশিনখ্রে।

এন জি টিদা পীশিনখিবা এক্সন প্লান অদুদা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা হায়খি, নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লবা দিল্লিদা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহনবা মতমদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা কোমথোকপা লৈরোই।

পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখত্তে হায়দুনা দিল্লি গভর্ণমেন্টপু হন্দক্তা এন জি টিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মতৌ করম্না ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহনগদগে হায়বগী মতাংদা উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা অমদি রাজস্থাননা লৌখৎকদবা এক্সন প্লানশিং ট্রাইব্যুনেলদা পীখৎখিবা তারবসু দিল্লি গভর্ণমেন্টতি মতম শাংনা পীখৎপা ঙমদনা লাকখি।

মতম খরা ফীভম ফগৎলুরবা মতুংদা হন্দক্তা ইনৌ নৌনা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯দা দিল্লিগী অনন্দ বিহার রিজনদা এয়র ক্বালিটি ইন্দেক্স (এ ক্যু আই) ওন্দুনা য়েংবদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংলম্বা থেংনখি।



পনবা য়াবদি, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপদগী ওথোরিটিশিংনা দীজল জেনরেটর শীজিন্নবা থিংজিনবা লৈখ্রবনি।

হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবতা চরু মৈ থাবা অমসুং ঘাজিপুরদা হন্দক মৈ চাকখিবগী থৌওংনা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকখিবনি। করিগুম্বা কেপিটেল সিটিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং মখা তানা হেনগৎলকপা তারবদি ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল) ওথোরিটি (ঈ পি সী এ)না অমুক হন্না ওদ ইভনগী স্কিম চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না এয়র পোল্যুসনগী থৌওং য়েংশিল্লিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী এজেন্সী এস এ এফ এ আরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, ওথোরিটিশিংনা বদরপুর পাৱর প্লান্ট থোঙ লোলহনখিবগা লোয়ননা মার্চ ১৫ ফাওবা দীজল জেনরেটর শীজিন্নবা থিংজিনখ্রে। গ্রেদেদ রেস্পোন্স এক্সন প্লান্ট (জি আর এ পি)গী শরুক অমা ওইনা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। অদুম ওইনমক হোস্পিটাল অমসুং মেট্রো সার্বিসতদি অথিংবা অসি চৎনরোই হায়রি।

জি আর এ পিগী মখাদা পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা গাড়ী মপুশিংদগী শরুক মরি হেন্না পার্কিং ফী লৌবা ঙমই। মরম চাদনা গাড়ী থৌদোরকপা থিংনবগী পান্দমদা গাড়ী থৌরিবা মীওইশিংদগী শরুক মরি হেন্না পার্কিং ফী লৌরকপা য়াই হায়রি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা দিল্লিদা বম্ফুলা য়োনবা থিংনবা ৱায়েল পীখ্রবনি। মমাঙ চহীগী নবেম্বরদা এপেক্স কোর্টনা নেসনল এয়র ক্বালিটি ইন্দেক্সকী মতুং ইন্না জি আর এ পি ইমপ্লিমেন্ট তৌরগা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না দিল্লি গভর্ণমেন্টতা খঙহনখিবনি।

# অযোধ্যগী মতাংদা অচেৎপা ফিরেপ লৌবগীদমক সুনি ৱাকফ বোর্দপু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী):

রাম টেম্পলগী ৱাফমসু কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈনহনবগী মতাংদা কোংগ্রেস লূচিংবা কপিল সিবালবু য়ানিংদবা ফোঙদোল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি, সুনি ৱাকফ বোর্দনা হীরম অসিগী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপ থাগৎনিংঙাইনি।

সুনি ৱাকফ বোর্দনা কপিল সিবালগী ৱাফমদগী লাপথোক্লা লৈবগা লোয়ননা অযোধ্যগী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপ মীপুম খূদিংমক্লা থাগৎনিংঙাইনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সুনি ৱাকফ বোর্দ হায়খিবনি মদুদি, কপিল সিবালনা বোর্দকী মায়কৈদা উকিল ওইনা লেপ্পা তারবসু কোর্টতা মহাক্লা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অরানবা ঙাক্তনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্লা অকক্লবা মতমগী মনুংদা য়েৎনরিবা অযোধ্যগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরকপা পাল্লে।

পনবা য়াবদি, উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা অযোধ্যাদা মিটর ১০০ ৱাংবা রামগী মিতম অমা শারগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম্বু তরাম্না ওক্লদুনা সিয়া ৱাকফ বোর্দনা রামগী মিতম শাবদা লুপাগী তেঞ্জৈ তরা খুদোল তম্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

সিয়া মুস্লিমশিংনা লোর্দ রামবু ঈকায় খুম্নবা উৎলি হায়বগী খুদম ওইনা লুপাগী তেঞ্জৈ তরা খুদোল তম্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়না চীফ মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অমদা বোর্দকী চেয়রমেন ৱাসিম রিজবিনা ফোঙদোকখিবনি।

রামনা মকোক তরা পানবা রাবন মায়োক্লখিবগুম লুপাগী তেঞ্জৈনা মালেমদা টেররিজম মায়োক্লবদা মতেং ওইনরগনি হায়না বোর্দকী চেয়রমেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা অযোধ্যাগী সরিয়ু তুরেল মনাক্তা রামগী অচৌবা মিতম অমা শারগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

# মিলিটরিনা পোলিটিক্সতগী লাপ্না লৈগদবনি : আর্মি চীফ

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী):

আর্ম ফোর্সেস অমসুং মিলিটরিনা পোলিটিক্সতগী লাপথোক্লা লৈগদবনি হায়না আর্মি চীফ জেনরেল বিপিন রাৱটনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ সার্বিস ইন্সটিট্যুসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্লা হায়খি, য়ারিবমখৈ মিলিটরিবু পোলিটিক্সতগী লাপথোক্লা লৈহনগদবনি। হন্দক মরক মিলিটরি অমদি পোলিটিক্স মরী লৈনবগী খুদম খরা ফংবা ঙল্লে। লৈবাক্কী য়াইফনবা খনবনা মাঙ থারগা মিলিটরি ওফিসার পূম্নমক্তুগী পোলিটিক্সতগী লাপথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদবা লৈ।

মতম অমগী ৱাফম নৌহৌনা নীংশিংলদুনা আর্মি চীফনা হায়খি, মমাঙঙৈদা নুপী অমসুং পোলিটিক্সকী ৱাফম আর্ম ফোর্সেস মনুংদা খন্নবা তৌদে। পোলিটিক্সতগী লাপথোক্লবা মতমদা লৈবাক অসিগী আর্ম ফোর্সেসনা মালেমদা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা ফোর্স অমা ওইবা ঙমগনি।

য়েক্লবনা থাজরোইদবা মওংদা আর্ম ফোর্সেসনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দা চপ মান্নবা ওপরেসন হঞ্জিন হঞ্জিন চথুবা তৌদে হায়না জেনরেল বিপিন রাৱটনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।



ম্যান্মারদা চথুখিবা ওপরেসন অমসুং পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীরদা চথুখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক্কী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, ইন্দিয়ন আর্মিনা মতম অমদা হেক্তা য়েক্লবগী মথক্তা খুৎ থাবা ঙম্বগী ফীভম লৈ। অদুবু মমাঙদা চথুখিবা ওপরেসন অমা অমুক হন্না চথুবগী ৱাফম লৈতে।

ইন্দিয়ানা হোম-মেদ সোল্যুসনশিংগা লোয়ননা মথংগী লাল শোক্লগদবনি হায়না লৈবাক অসিগী আর্মি চীফ জেনরেল বিপিন রাৱটনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

লৈবাক অসিগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহন্নবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিনা মশানা পুথোকচবা সোল্যুসনশিংগা লোয়ননা ঐখোয়না মথংগী লাল মায় পাকহনগদবনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

রাৱটনা হায়খি, চাইনা অমসুং পাকিস্তানগা তায়নবা বোর্দর এরিয়াশিংবু কুপ্না য়েংশিনবা ঙম্নবগা লোয়ননা হিন্টরলেন্দগী মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিংদা সিক্যুরিটি ফুল প্রুফ ওইহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী ওইনা ইন্টেলিজেন্স অমসুং সর্ভিলেন্স সিষ্টেম পুথোক্লবগী তঙাইফদবা লৈ। জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পাকিস্তান্না ইন্দিয়াগী লান্মী অনী মঙক কত্তুনা হাৎখিবগী মতাংদা চপ চানা লমন খুমগনি। অদুম ওইনমক করি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদুদি মহাক্লা ময়েক শেংনা পনখিদে।

অমরোমদা, চাইনা অমদি পাকিস্তানগা লোন্নবা ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না রাৱটনা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) অমসুং চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈদা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না হন্দক্তা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী লান্মীশিং মুক্লখিবা সিক্কিমদা চত্তুনা ঙমখৈদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, ইন্টরনেসনল বোর্দর অমসুং এল ও সীদগী কিলোমিটর ১০না কোনবা মফমদা বঙ্কর কয়ামরুম শেমগৎনবগী মতাংদা সেন্টর অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর গভর্ণমেন্টনা য়ানবা পুরক্লে। ঙমখৈ ৱাংমদগী পাকিস্তান্না এটেক চথুরকপদা বঙ্কর মনুংদা চঙলগা লৈহনগনি।

# এল ঈ টিগী টেররিষ্ট ৮ মপূন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে

জয়পুর, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা টেররিজমগী ওইবা থবক থৌরমশিং চথুবগা লোয়ননা মীওই কয়া টেররিষ্ট ওইহন্নবা হোৎনরম্বগীদমক পাকিস্তানদা বেজ তৌবা লাস্কর-ঈ-টোইবা (এল ঈ টি)গী মেম্বর নিপান এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অমনা পূন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে।

কনভিক্সন পীখ্রবা টেররিষ্ট নিপানগী মনুংদা অহুমদি পাকিস্তানি মচানি। কোর্টনা মীওইশিং অদুবু অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ২০গী মখাদা লুপা লাখ ৩/৩ ফাইন থীনবসু খঙহনখি।

এল ঈ টিগী মেম্বরনি হায়বা পাকিস্তান মচা অহুম-অসঘর অলি, সকার উলা অমসুং মহমদ ইকবালবু তোঙান তোঙানবা জেলশিংদা থম্বা তারবসু মপান্দা লৈরিবা লূপ অসিগী মীওইশিংগা তোয়না পাউ ফাওনৈ হায়বা খঙলকখি।

জেল মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা অরোনবা থৌরাং লৌখৎপদা থিংবা ঙমদে হায়বগীদমক কোর্টনা জেলগী ওফিসলশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মরুওইনা জেল মনুংদা লৈবা মীওই অমনা মতৌ করম্না মোবাইল ফোন পায়দুনা মপানগী মীওইশিংগা পাউ ফাওনরল্লিবনো হায়না কোর্টনা হংখি।



ইন্দিয়াদা এল ঈ টিগী থবক থৌরম কয়া কনখৎলকপগা লোয়ননা অমরনাথ পিলগ্রিমশিংদা এটেক চথুবগী থৌদোক ফাওবা থোকপা লৈখ্রে।

হৌখিবা মে ০৭দা খা থংবা কাশ্মীরগী কুলগামদা টেররিষ্টশিংনা পুলিসতা এম্বুশ তৌনবা হোৎনরকপদা এল ঈ টিগী মিলিটেন্ট অমা অমসুং পুলিস পার্সনেল অমা য়াওনা মীওই মঙা শিখি। কুলগামগী মির বজার মনাক্তা টেররিষ্টশিংনা পুলিস টিম অমদা এটেক চথুনবা হোৎনরকপদগী নাকল অনী খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা ফয়াজ অহমদ অস্বার এলিয়স সেতার কৌবা এল ঈ টিগী মরুওইবা লূচিংবা অমা য়াওনা মীওই মঙা শিখিবনি।

# অফঘানিষ্টানগী নুপী আর্মি ওফিসার চেন্নাইদা ট্রেনিং পীগদৌরি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৬(এজেন্সী):

পুৱারীদা অহানবা ওইনা অফঘানিষ্টানগী নুপী আর্মি অমসুং এয়র ফোর্স ওফিসার ২০ চেন্নাইগী ওফিসার্স ট্রেনিং একাদেমিদা ট্রেনিং পীগদৌরি।

কাবুলদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসেদর মনপ্রিট বোহরানা ইন্দিয়াদা চৎনবগী অয়াবা পীখ্রবা অফঘানিষ্টানগী নুপী ওফিসারশিং অদু মতিক চাবা লান্মী অমমম ওইহনবা ঙম্নবগী পান্দমদা চেন্নাইগী ট্রেনিং সেন্টরদা ট্রেনিং তৌনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

হন্দক্তা অফঘানিষ্টাননা নুপী ঙাক্তগী ওইবা ওন্ট্রাপ্রেন্যুরশিংগী ওইবা ট্রেনিং অমা হায়দ্রবাদতা পাঙথোকপা গ্লোবল ওন্ট্রাপ্রেন্যুরশিপ সম্মিট (জি ঈ এস)তা শরুক য়াখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

অফঘান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসার অমদি ওফিসলশিং অদু ও টি এদা প্রিপরেটরি ট্রেনিং য়াওহনবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৮দা মপুং ফানা ট্রেনিংদা শরুক য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

ইন্দিয়াদা অফঘানিষ্টানগী এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা সাইদা অব্দালিনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা অফঘান ওফিসার ৩০০ লোম ট্রেনিং তৌরি। মরুওইনা দেহরাদুনগী ইন্দিয়ন মিলিটরি একাদেমিদা অফঘান ওফিসার কয়ামরুম হৌজিকসু ট্রেনিং চথুরি। ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টান শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং পূম্নমক অফঘান প্রসিদেন্ট মহমদ অসরফ ঘানিনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

# সাইক্লোন ওকখিগী শাফু তপথরকপনা গুজরাট য়ৌরক্লরোই : আই এম দি

অহমেদবাদ, দিসেম্বর ০৬(এজেন্সী):

সাইক্লোন ওকখিগী শাফু তপথরকপগা লোয়ননা গুজরাটকী সমুদ্র মপান য়ৌরক্লরোই হায়না ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)না ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙদা আই এম দিনা সাইক্লোন ওকখি গুজরাট অমসুং মহারাষ্ট্রগী মায়কৈ পাংলক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শিল্লকপা য়াবা মরম্না ষ্টেট অনী অসিগী সমুদ্র মপান নক্লা লৈবা ঙামীশিং ঙা ফাবা থোক্তনবা চেকশিন ৱারোল পীবা লৈখ্রবনি।

রিজনেল আই এম দিগী ওফিসলশিংনা হায়খি, সাইক্লোনগী শাফু তপথরকপা মরম্না থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। সাইক্লোন ওকখিগী শাফু তপথরকপা তারবসু ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা তুংদা থোরকপা য়াবা খুদোংথিবা থৌদোকশিং মায়োক্লনবা শেম-শাদুনা লৈরি।



সুরটকী মীওই ১,৬০০ খুদোংথিবা নংলোইদবা মফমদা হোংদোকহনখিবগা লোয়ননা নেসনল দিজষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ), বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স, আর্মি, নেভি অমসুং কোষ্ট গার্দনা মীকুপ-নাহুম শীংনা লৈরি।

চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানিনা মরী লৈনবা ওফিসল খূদিংমক্তা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা মাঙজৌননা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, টামিল নাদু, কেরলা অমদি লক্ষদ্বিপ আইলেন্দদা সাইক্লোন ওকখিনা মরম ওইরগা মীওই ১৯ শিবা লৈখ্রবনি। নেভি, কোষ্ট গার্দ অমসুং এয়র ফোর্সকী অপুনবা টিম অমনা রেস্ক্যু ওপরেসন চথুবদা ঙামী ৩৫৭ য়াওনা মীওই ৬৯০ কনবা ঙমখি।

সাইক্লোন ওকখিনা মীওই ১৯ শিহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৯৬ থিবা খঙখিদ্রে। ইন্দিয়ন নেভি, কোষ্ট গার্দ অমসুং এয়র ফোর্সনা হৌজিকসু মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামননা ফোঙদোকখি।

সেন্টরনা সাইক্লোন ওকখিবু নেসনল কলামিটি নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

বে ওফ বেঙ্গলদগী দিপ দিপ্রেসনগী মতুংদা সাইক্লোন ওকখি হায়না খঙনবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎপা হৌরকখি। টামিল নাদুগী খা থংবা ষ্টেটকী শরুক্তগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা লৈবা মফমদগী সাইক্লোন অদু হৌরকখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ-টুথুকুদি, টিরুনে-ভেলি, কৈন্যকুমারী, বিরুধুনাগরগী স্কুল কয়াসু ছুটি থানখি। টুথুকুদি অমদি কৈন্যকুমারীদদি অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা উ ফাওবা মরূ ফুক্তৎলগা হুমদোকপা য়াওরি। মীওই ৪ শিবগী থৌদোক থোক্লিবা কৈন্যকুমারীগী মফম অদুদা নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম অদু চঙশিনখি।